**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-07-2025)**

**দিসি(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলম্বম রাজকুমারনা হায়রি-জিলা অসিদা হাংলিবা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিং মশা মশাগী লৈফমশিংদা হনজিলহনবা য়ানবা এস.দি.সিশিং থাদুনা সর্ভে তৌবগী থবক চথরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুরখুল ময়াই লৈকাইদা মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিনা শিনদুনা পাঙথোকপা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজকুমারনা হায়-হৌজিমক্কী ওইনা মশাগী লৈফমদা হনজিনবদা খুদোংচরোইদবা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগী মতম খরগী ওইনা লৈফম চাফম শাননবা হোৎনরি। মহাকা হায়-রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা নুপীশিং অমদি অঙাংশিংদা চথরকপা মীওৎ মীনৈ থিংননবা ৱান স্তোপ সেন্টরশিং হাংদোক্লে। লাঞ্জেন্নরিবশিংদা সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবশিং নীংথিনা য়ৌহননবগীদমক্তা ৱেব পোরটেল অমসু শেমলে অমসুং মখোয়গী অকুপ্পা ৱারোল হায়রিবা পোরটেল অসিদা থাগৎপগী থবক চথরি। হায়রিবা পোরটেল অসিদা লাঞ্জেনরিবশিংগী ইমুং মনুংশিংনা মখোয়না হান্না লৈরম্বা য়ুম অমসুং হৌজিক লৈরিবা ফিভমশিং মীয়ামনা উবা ফংগনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিগী মেম্বর সেক্রেটরি-অলেক মুইভানা হায়-মীওৎ মীনৈ অমদি রেপ ভিক্তিমশিংনা মনিপুর কম্পেসেসন স্কিম ফোর ৱিমেন ভিক্তিমস, সরভাইবরস ওফ সেক্সুয়েল এসোল্ট অমদি অদার ক্রাইম-২০২৩ গী মখাদা ক্ষেতিপুরোন তানবা য়াই। নুপী অমদি অঙাংশিংদা মীওৎ মীনৈ চথবগী থবক অসি রিলিফ কেম্পশিংদসু

থেংনদবা নত্তে। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি থিংননবা অমদি মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

**আইদিপি (এল)ঃ** মালেমগী ওইনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈবা মীওইশিংদা য়ুনাইটেদ নেসননা পীবা কাংলোনগী মতুং ইন্না মনিপুরগী লাঞ্জেন্নরিবশিংদা অহেনবা শক্তি পীবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি কাঞ্চিপুরদা লৈবা নাউরেম সনজাউবা পাব্লিক লাইব্রেরী হোল, নেসনেল রিছার্স সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিল নেসনেল রিছার্স সেন্টর (এন.আর.সি), য়ুথ কল্লেক্তিব মনিপুর অমসুং মনিপুর হন্টরনেসনেল য়ুথ সেন্টরনা পুন্না শিনবনি। মদুদা,অখঙ অহৈশিংনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা ৱা ঙাংখি।

**বিরেন (এল)ঃ** মিজোরামদাঅসাম রাইফলস অমসুং নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি) না থিবা হুম্বগী থবক চথবদা লুপা কোতি ৩৬ হেনবগী দ্রগশিং ফাগৎখিবা অদুব্ মনিপুরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-অসিগুম্বা খোঙথাং অসি শিংথানিংঙাইনি অমদি মখা তানা মসিদা মতেং পাংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা মখা তানা হায়-অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা দ্রগ লল্লোনবগী চথরিবা থৌওং অসিনা লৈবাক অসিগী তুংগী মীরোলশিংদা অকিবা অমা ফাওহল্লে। মহাকা,মুখ্য মন্ত্রি ওইরিঙৈ মতমদা মনিপুরদা দ্রগ লল্লোনবা অমদি পোকপী থাবগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা খোঙজং কয়া চংশিনখি। খোঙজংশিং অসি মখা তানা চথবগী তঙাইফদবা লৈরি।

রাজ্য অসিগী মফম পুমমক্তগী পোপী পাম্বীশিং মরু ফংনা মুখৎনবগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনবীনবসু শ্রী বিরেননা আপিল

তৌরি। মহাকা মখা তানা হায়-দ্রগকী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা চোকথবা লৈতনা কেম্পেইন চংশিনবনা নার্কো টেরোরিজমদগী কনবা ঙমগনি।

**ককচিং (এল)ঃ** বার কাউন্সিল ওফ মনিপুরনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা আইনগী মতাংদা মীয়ামবু খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্স-ককচিংদা লৈবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বার কাউন্সিল ওফ মনিপুরগী লিগেল এদ এন্দ লিগেল এদুকেসন কমিতিগী চেয়ারমেন-কোইজম মোধুসুদোন, জ্‌দিসিএল মেজিষ্ট্রেট ফার্ষ্ট ক্লাস-নিরা সিনাম, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-নোংমাইথেম মোধু, বার কাউন্সিল ওফ মনিপুরগী সেক্রেটরি-ডা: এম. বসন্তাকুমার শর্ম্মা শরুক য়াখি। মদুদা রিছোর্স পার্সনশিংনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা ৱা ঙাংখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা তেংনৌপল জিলাগী মোরেদা কাং হিদাক কাপথোকখ্রে।

মেলারিয়া, দেঙ্গি অমসুং তাইফত লায়নাশিং শন্দোরক্লিবা অসি লাকশিন্নবগী পান্দমদা হিদাক কাপ্পগী থবক অসি পায়খৎলকপনি। অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা চাননবা পোৎলমশিং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মন্ত্রি পুখ্রি লৈবা মাদর তেরেজা হোমদা খুৎশিন্নখ্রে।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা--(কেস সত্তর)**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**---সিগনেচর গোং---**

**কোবিদ(এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক কোবিদ নাইন্তিনগী এক্তিব কেস ১৮ লৈরি। ঙসি মীওই অমা পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা হায়-পুন্না সেম্পল ১৩ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী অমখক পোজিটি ওইবা থেংনখিবনি। রাজ্য অসিদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ৩২৭ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। মদুগী মনুংদা মীওই ৩০৯ না নাবা ফংদুনা দিচার্জ তৌখ্রে।

**থৌবাল (এল)ঃ** গ্রাম পঞ্চায়টশিংগী ওইনা ফাইনান্সিয়েল ইনক্লুসন স্কিমগী মতাংদা চত্থরিবা থা অহুমগী ওইবা সেচুয়েসন কেম্পগী শরুক অমা নোংমগী ওইবা ফাইনান্সিয়েল লেটরিসি কেম্পেইন অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী খেকমন জিলা লৈকথেলদা পাঙথোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সিয়েল সার্ভির্সেস ইন্দিয়াগী মখাদা পঞ্জাব এন্দ সিন বেঙ্ক-খেকমন ব্রান্সনা এল.দি.এম. থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল, এম.এস.আর.এল.এম. অমসুং ক্রিসিল ফাউন্দেসনগা খুৎশমরগা শিনদুনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা খেকমন গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান, বেঙ্ককী ওফিসিএলনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** মহৈরোইশিংগী হৈ শিংবা উৎথোকহনবগা লোয়ননা সাইন্স অমসুং টেকোলোজিগী মরমদা হেন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা চান্দেল জিলাগী সেন্ট পোলস হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা সাইন্স কম কলচরেল ইগজিবিসন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চান্দেলগী জেট.ই.ও, স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল, ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

**উ (এল)ঃ** এক পের মা কে নাম টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা ড চারাশিং থাবগী থৌরম অমা পদ্ম রতা ইংলিস স্কুল ককচিংগী মহৈরোইশিংনা ঙসিদগী ককচিং ৱাইরিং পনজাউ পালুমদা লৈবা স্কুলশিংগী কেম্পসতা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসি পদ্ম রতা ইংলিস স্কুল ককচিং, জোনেল এদুকেসন ওফিস-ককচিং, সমগৃহ শিক্ষা মনিপুর, দিপার্টমেন্ট ওফ এদুকেসন (এস) অমদি ফোরেষ্ট বিভাগনা পুন্না শিনবনি।

**কাড(এল)ঃ** কাডানা শিনদুনা নিশানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরমদা মীয়ামবু খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খোংমন জোন ফাইব কম্মুনিতি হোলদা পঙেথোকখ্রে।

**এমপিপি (এল)ঃ** মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) গী থবক থৌরমশিং মপুং ফানা পাঙথোকবগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা থৌ পুবশিং খনখ্রে।

মোইরাংথেম সরত সিংহনা এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট, ডা: তকয়েলপাইবম মুক্তা সনা সিংহনা (এদমিনিষ্ট্রসন) গী জেনরেল সেক্রেটরি অদুগা ঙাঙোম ওকেননা (এদমিনিষ্ট্রেসন) গী সেক্রেটরি ওইরগনি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমমুক--(রোলেক্স)**

**----অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**---সিগনেচর গোং---**

**অমিত ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি উত্তরাখন্দগী রুদ্রাপুরদা লুপা

কোতি লিশিং ১,২৭১ গী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরনা শঙ্গাখ্রে। খরনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

উত্তরাখন্দগী রুদ্রাপুরদা পাঙথোকপা উত্তরাখন্দ ইনভেষ্টমেন্ট ২০২৫ গী থৌরমদা শ্রী সাহনা হায়-উত্তরাখন্দগুন্বা অপিকপা রাজ্যশিং চাউখৎতনা লৈবাক অসি চাউখৎপা ঙমলোই। কেন্দ্র সরকারনা অপিকপা রাজ্যশিং অমসুং নোংচুপ থংবদা লৈবা রাজ্যশিং চাউখৎহন্ননবা অখন্নবা মীৎয়েং থমলি। মীফম অদুদা লৈবাক অসিগী ইনভেষ্টরশিং অমদি ওন্টরপ্রেন্যুয়র কয়াসু শ্রী সাহগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

**ধমেন্দ্র ঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধাননা হায়রি-ইং ২০৪৭ তা ভারত চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইনবা পান্দম থল্লি। মসিদা লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ। ৱাফম অসি মন্ত্রিনা কেরলাগী আই.আই.টি পলাকরগী ৭ শুবা কনভোকেসনগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা হায়-মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা লমশিং-লৌউ শিংউ, হিদাক লাংথক, চৎথোক চৎশিন অমসুং য়ুম-কৈ শাবগী লমদা মালেমগী থাক্তা পুখৎপা ঙমবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লৈবাক শিনবা থুংনা চাউখৎ লন্বীদা মাংজিল থাবগী থৌরাং অসিদা মীপুম খুদিংমকনা অহেনবা মীৎয়েং থমসি। লৌউ শিংউগী লমদা অনৌবা টেকে ালোজিশিং শিজিন্নদুনা মশা মথন্তা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লমদম অমা ওইহল্লসি।

**ওপরেসন ঃ** জম্মু কাশ্মির পুলিসকী মখাদা কাউন্টর ইন্টিলিজেন্স (সি.আই.কে) না কাশ্মির লমদমগী তোঙান তোঙানবা জিলা মরিগী মফম তরাদা থিবা হুন্বগী থবক চথুরি।

সি.আই.কেগী পাউনা হায়-থিবা হুন্বগী থবক অসি তেরর ক্রাইমগা মরী

লৈননা চত্থবনি। আইননা থিংখ্রবা লুপ জৈস-ই-মহামদতা পুশিন্নবা থৌরাং কয়া চত্থরে হায়বা পাউ ফংবদগী থিবা হুন্থবগী থবক অসি চত্থবনি। খা থংবা কাশ্মিরগী পুরৱামা জিলাগী মফম অমদা থিবা হুন্থবগী থবক চত্থরি। ময়াই থংবা কাশ্মিরগী গন্দরভা জিলাগী মফম তরুক, শ্রীনগরগী মফম অমা অমসুং বুদগাম জিলাগী মফম অনিদা হৌজিক হৌজিক থিবা হুন্থবগী থবক চত্থরি।

**ইদি ঃ** ইনর্ফোসমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা গুগল অমসুং মেটা কম্পানিদা ওন লাইনগী এপশিংদা পৈশা থানবগী কেসকা মরী লৈননা  নোটিশ থাখ্রে।

ইনর্ফোসেমেন্ট দাইরেক্তোরেটকী পাউনা হায়-কম্পানি অনি অসিদা দাইরেক্তোরেটকী দিল্লিদা লৈবা হেদক্কাটরসতা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মখোয় মখোয়গী কম্পানিগী মীওইশিং লাকবা সমোন থাখ্রে। এজেন্সিনা কম্পানি অনি অসিনা দিজিটেল প্লেটফোর্মদা ওন লাইনদা পৈশা থানবগী মতাংদা কুপা য়েংশিল্লবা তুংদা সমোন অদু থাখিবনি।

**মনশুকঃ** স্পোর্টস মন্ত্রি-মনশুক মন্দাভিয়ানা হায়রি-২০৪৭ তা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইনবগীদমক ভারতকী নহাশিং অসি নিশা শিজিন্নদবা মীওই অমমম ওইহন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌসি।

বরানাসিদা য়ুথ স্পিপসিএল সমিট হৌদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-দ্রগ ফ্রি ইন্দিয়া কেম্পেইনদা শরুক য়াবীদুনা অফবা চাউখৎফা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা হেন্না থৌদাং লৌসি। থৌরাং অসিদা মাওই অমমমনা য়ামদ্রবদা নহা মঙা-মঙা ৱাশকহন্দুনা নিশা চাদবা মীওই অমমম ওইহন্নবা হোৎনসি।

অমরোমদা, সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-য়ুব স্পিপসিচুয়েল সমিট অসিনা লৈবাক অসিবু নিশা চাদবা লৈবাক অমা ওইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি।

**এক্সিদেন্ট ঃ** য়মুনা এক্সপ্রেস ৱেদা থোকপা তোঙান তোঙানবা লম্বী খুদোংথিবা থৌদোকশিংদা মীওই ৬ শিরে, ১৯ হেন্না শোক্লে। মথুরাগী সেনিয়ার এস.পি- শ্লোগ কুমারনা হায়-অহানবগী লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং অহুম অদুৱাইদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা মিনি ভেন অমগা মাল গারি অমগা মমাই য়ৈশিন্নবদা মীওই ৬ লৈখিদে, অনিনা শাথিনা শোকখি। থৌদোক অসিগী পুং ১ গী মতুংদা থোকপা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা দিল্লিদগী মধ্য প্রদেস চৎপা বস অমা মথক মখা ওনবদা মীওই ১৭ শোকখি। মথুরাগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা মীওই ৮ পুখৎতুনা লায়কন্নখি, অতোপ্পা ৯ অমনা আগ্রাগী এস.এন. মেদিকেল কলেজতা লায়কন্নরি। অশোকপশিং অদু খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

**মাওইষ্ট ঃ** ছতিসগরগী নরায়নপুর জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা ঙরাং খুৎ থোক বদা মাওইষ্টকী মীওই তরুক শিরে। বাস্তর লমদমগী আই.জি.পি. পি. সুনদরাজনা হায়-ইন্টিলিজেন্সকী পাউ ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা অবুজমদ উমংদা থিবা হুম্বগী থৱক চত্থৱদা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মদুদা সেক্যুরিতি ফোর্স অমদি নেক্সলাইটশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপবদা মাওইষ্টকী মীওইশিং অদু লৈখিদবনি। মখোয়দগী য়াল্লবা খূৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎলে।

**কাং ঃ** য়াইস্কুল কাংখুৎ ইম্ফালনা শিনদুনা য়াইস্কুল কাংশঙদা চত্থরিবা প্লেয়ার ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ক্লাস (এ) না গোপাল দেব (এন) বু পাঞ্জল ২৮-১৭ তা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** জনিয়ার বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর ডাক্তর ভি.সি. রোই ত্রোফি ২০২৫-২৬, হয়েংদগী পঞ্জাবকী অমৃটসরদা হৌরগনি।

গ্রুপ (সি) দা মনিপুর, উরিষ্যা, ঝরখন্দ অমসুং করনাতক থেংনরগনি। হয়েং নুংথিল পুং ৪ দা মনিপুর অমসুং ঝরখন্দ শান্নগনি।

**পেনচাকঃ** নাগালেন্দগী দিমাপুরদা পাঙথোকখিবা তরেৎশুবা নোর্থ ইষ্ট পেনচাক-সিলাত চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ তা মনিপুরগী টিমনা সনাগী তকমান তরুক, লুপাগী অহুম অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অনি পুন্না তকমান ১১ লৌরক্লে।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়ারুবা মনিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফালগী ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা পেনচাক সিলাত এসোসিয়েসন ওফ মনিপুরনা হরাও তয়ামা ওকখ্রে।

**বেদমিন্টন** ঃ বেদমিন্টন এসিয়া জ্নিয়ার লিগ টিম চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ভারতনা য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটপু মায়থিবা পীদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।